# প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দনা অসামগী মীয়ামদা লম্লক্কী শা-উচেকশিং য়োকখৎপগী থবক পায়খৎনবা খঙহনখ্রে



কাজিরঙ্গা, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): নুমিৎ হুম্নিগী অসামগী খোঙচৎতা লাকখিবা প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দনা অসামগী মীয়াম অমদি লৈঙাক পায়রিবশিংদা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা অমদি য়োকখৎপীনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা নোংমাইজিং নুমিৎতা খঙহনখ্রে।

প্রসিদেন্টকী ৰাফম অসি মহাক্কী খোঙচৎকী অরোইবা নুমিৎতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ষ্টেট লৈঙাক্না লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাকপী শেনবীনবা লৌরিবা থৌদাংগী মতাংদা শম্লপ্পা ৰারোলশিং তারবা মতুংদা ফোঙদোকখিবনি।

প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দনা মখা তানা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু ঙাকপী শেনবীবগা মরী লৈনবা ফোটো অমদি অর্কাইভেল এগজীবিসন অমা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অসাম লৈঙাক্কী মায়কৈদগী প্রসিদেন্টদা হৌদোকখিবা কজিরঙ্গ ইলিভেটেদ কোরিদোরগী মতাংদা প্রজেন্টেসন অমসু খুৎশিন্নখি।

থৌরমদুদা প্রসিদেন্টনা লম্লক্কী শা-উচেকশিংবু নুংশিনা লোয়নবিনবা পায়খৎপা থবক থৌরাংশিংগী মতাংদা ৰাফমশিং ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্না অসামগী মীয়াম অমদি লৈঙাক্না লম্লক্কী শা-উচেকশিং কন্নবা মাঙলোমদা চঙশিল্লিবা থৌদাংশিংবু পুক্নিং থৌগৎখি।

চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিশ্বানা ফোঙদোকখিবদা প্রসিদেন্টনা হৌদোকখিবা এগজিবিসন অসিদা কাজিরঙ্গগী তাংলবা পান্বীশিং অমদি শাশিং কয়া উবা ফংলগনি হায়খি।

নীংশিংবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টরনা মমাং চহীগী ওগষ্টতা পাঙথোকখিবা এসেম্বলি মীফমদা নেসনল হায়ৰে ৩৭ তগী কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ক ফাওনবা কিলোমিটর ৩৫ শাংবা ইলিভেটেদ কোরিদোর অসি শাবীনবা ষ্টেট লৈঙাক্না সেন্টরদা হৌদোকখিবা ৰাফমবু সেন্টরনা য়ানীংবা খুদমশিং পীরক্লে হায়খিবা লৈখ্রবনি।

চীফ মিনিষ্টর হিমন্তনা থাদোরকপা অইবা চেরোল অমদা ফোঙদোক্লদুনা প্রসিদেন্টনা মমল য়াম্লবা পাওতাকশিং থম্বীরম্ববু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্কী পাওতাকশিং অসিনা পার্ক ওথোরিটি, ফোরেষ্ট গার্দ, লোকল কম্যুনিটিশিং অমদি এন জি ওশিংদা অচৌবা পুক্নিং থৌগৎপা অমা ওইবদা নত্তনা থবক তৌবদা হেন্না কথোক্লিংবগী ইথিল অমা পীরগনি হায়খ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা প্রসিদেন্ট অমদি মহাক্কী মচানুপীগা লোয়ননা অসামগী মিনিষ্টরশিংগা কাজিরঙ্গগী কোহোরা রেঞ্জকী মিহিমুক পোইন্টদগী হৌদুনা শমু তোংদুনা পার্কক্কী অকোইবশিং য়েংখি। অদুবু ফার্ষ্ট লেদি সবিতা কোভিন্দদি শমু তোংদনা জিপ তোংদুনা পার্কক্কী অকোইবদা চৎখি।

পনবা য়াবদি প্রসিদেন্ট কোভিন্দ মহাক্কী নুপী অমদি মচানুপীগা লোয়ননা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎতা অসামদা ইরাই নুমিৎতা থুঙলখি অদুগা নুমিৎ অদুমক্তদা গুৱাহাটিদা লিজেন্দরি অহোম জেনরেল লচিৎ বর্ফুকানগী ৪০০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম হৌদোকখি।

গুৱাহাটিদা অহিং অমা লেপ্লুবা মতুং মথংগী নুমিৎ থাংজ নুমিৎতা টেজপুর য়ুনিভর্সিটিগী কনভোকেসন অমা শরুক য়ারম্লবা মতুং নুমিৎ অদুমক্তদা কাজিরঙ্গ তম্না পায়খি।

প্রসিদেন্টনা কাজিরঙ্গগী অসাম পুলিস গেষ্ট হাউসতা অহিংদুমা লৈরম্লগা মথংগী নুমিৎ নোংমাইজিং নুমিৎতা মহাক অমদি মহাক্কী ইমুং মনুংগা লোয়ননা ন্যু দিল্লিগীদমক গুৱাহাটি থাদোকখিবনি।




১২ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখলগা মরী লৈননা ৱাংখেম ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম

## রাকেশ সংমা সী ঈ এমদগী রিজাইন তৌখ্রে

শিল্লোং, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): মেঘলায়াগী গারো হিলস রিজনগী অচৌবা দিভেলপমেন্ট অমা ওইনা রাকেশ এ সংমানা গারো হিলস ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (জি ঐচ এ দি সী) গী চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বরগী ফমদগী রিজাইন তৌখ্রে।

জি ঐচ এ দি সীগী চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বর রাকেশ সংমানা মেঘলায়াগী গভর্ণর শত্যা পাল মালিকতা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা মহাক্কী রেজিগনেসন লেটর পীশিনখিবনি।

রাকেশ সংমাগী মফম অসি হৌজিক জি ঐচ এ দি সী অসিগী দেপ্যুটি সী ঈ এম অল্বিনস আর মারাকনা মহুৎ শিল্লবা য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি, রাকেশ সংমাবু সী ঈ এমদগী লৌথোকখিনবা মেঘলায়াগী গারো হিল দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাক্তক্লনা প্রোটেষ্ট তৌদুনা লাকখিবনি।

## ওটিং মীহাৎকা মরী লৈননা এস আই টিনা থীজিল্লকপা অয়াম্বা লোইরে: নাগালেন্দ দেপ্যুটি সী এম

কোহিমা, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): মমাং চহীগী দিসেম্বর ৪ দা নাগালেন্দগী ওটিংদা লায়বকথিবা থৌদোক অমদা মীচম ১৪ হাৎখিবগী মতাংদা থীজিন্নবা শেমখিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) না মীহাৎ অসিগী মতাংদা চথুরকপা থীজিন-হুমজিনবগী শরুকশিং অয়াম্বনা লোয়রে হায়না নাগালেন্দগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর য়ানথুঙো পেট্রোননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

ৰাফম অসি দেপ্যুটি সী এমনা কোহিমাদা লৈবা পুলিস হেদ ক্বাটরদা সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসকী হৌনা লৈবা গাড়ী ১১গী ফ্লেগীং ওফ থৌরমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

হোম দিপার্টমেন্টকী মিনিষ্টর ইন চার্জসু ওইরিবা পেট্রোননা মখা তারদুনা মীওই ১৪ হাৎখিবা থৌদোক অসি নত্তনা নাগালেন্দগী মফম অয়াম্বগী ফীভম ইং-তপ্পরোমদা লাক্লে হায়খি।

মহাক্না মখা তানা থাজবা পীরদুনা চমজরবা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহনখিববু অথুবা মতমদা ৰায়েল ফংলগনি হায়খিবগা লোয়ননা এস আই টিনা মীহাৎ অসিগী মতাংদা থীজিল্লকপগী দোক্যুমেন্টশিং খরা পেন্দিং লৈবা নত্তনা অয়াম্বা শরুক লোয়রে হায়খি।

থৌরমগা মরী লৈননা পেট্রোননা হন্দক্তা নাগালেন্দ পুলিসনা লুপা ক্রোর ২৩ হেনবগী চাওরাক্লা কেজি ৪৮ লোমগী য়াম্লবা সনাশিং ফাগৎপা ঙমখিববু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নাগালেন্দ পুলিসনা ষ্টেট শীনবা থুঙনা দ্রগ থেঙননবা চঙশিল্লিবা খোঙথাংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পেট্রোননা মখা তারদুনা ষ্টেট অসিদগী করপসনগী চাং হন্থনবা অথুবদা এক্সটোর্সনগী মায়োক্তা স্পেসল দ্রাইভ অমা চথুরগনি অমদি এন্টি সোসল ইলিমেন্টশিংগী মায়োক্তা অথুবদা অকনবা এক্সনশিং লৌখৎলগনি হায়খি।

অমরোমদা, থৌরমগা মরী লৈননা দাইরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস টি জে ন লোংকুমেরনা ফোঙদোকখিবদা দ্যুটি তৌরিবা পুলিস পর্সেলশিংদা কনাগুম্বনা ফুব-চৈবনচিংবা খুদোংথিবা থোকহল্লবদি লুম্না লৌবগা লোয়ননা থেংনগনি হায়খি।

## ত্রিপুরা হায় কোর্টনা অগরটলাগী পব্লিক প্লেসশিংদা শা য়োনবা থিংখ্রে

অগরটলা, ফেব্রুৱারী ২৮ (এজেন্সী): ত্রিপুরা হায় কোর্টনা অগরটলা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (এ এম সী) দা সীটি অসিগী লম্বীশিং অমদি পব্লিক প্লেসশিংদা শাগী পোৎলমশিং য়োনবগী অয়াবা পীদনবা য়াথং পীখ্রে।

বার এন্দ বেঞ্চগী রিপোর্টকী মতুংইন্না চীফ জষ্টিস ইন্দ্রজিৎ মোহন্টি অমদি জষ্টিস এস জি চট্টোপদিয়া অনীনা ফমবা বেঞ্চ অমনা এ এম সীদা য়াথং কয়া পীবগী মতুংইন্না রিগুলেসন ওফ মিট স্লোটর ইন অগর্টলা চৎনহন্নবা য়াওরি।

কোর্পোরেসনগী কম্মিসনরনা বেঞ্চতা ফোঙদোক্লদুনা টেন্দর অমা ফাইনেলাইজ তৌরবা মতুং থা ১৮ লৈরগা শা হাৎনবা য়ুমশিং শানবা ইস্যু তৌখিবনি অমদি হৌজিক ফাওবদা মীওই ১৩৯ দা শা য়োন্নবগী লাইসেন্স পীখিবনি হায়রি।

কোর্টনা ইস্যু অসি কুপ্না খন্নরবা মতুং এ এম সীনা হেল্ঠ দিপার্টমেন্ট অমদি পোলুসন কন্ট্রোল ওথোরিটিগী মতেংগা লোয়ননা দাইরেক্টিভশিং অসি ইন্নবা খঙহনখি।

দাইরেক্টিভসকী অহানবদা, এ এম সীনা অশানবা মীৎয়েংগা লোয়ননা শা হাৎফম য়ুমশিং শাহনবদা নত্তনা মদুদগী থোক্লকপা ফত্ত-হাওদিশিং সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি। অনীশুবদা, এ এম সীনা মখোয়গী থবক পাঙথোক্লবা লোকল পুলিস য়াওনা ওথোরিটিশিংগী মতেং লৌগদবনি। অহুমশুবদা, শা হাৎপগী লাইসেন্স মী য়াম্না এপ্লাইদ তৌরক্লবদি অথুবা মতমদা খন্নদুনা লোয়শিনগদবনি।

মরিশুবদা, এ এম সীনা লাইসেন্স পায়রিবশিংগী মফমদা চৎতুনা য়োল্লিবা শাশিং অসিগী হায়জনিক কন্দিসনশিং য়েংশিনগদবনি। মঙাশুবদা, এ এম সীনা শা হাৎফম য়ুমশিং নীংথিনা চলায়বা হৌদ্রিঙৈ মফম চাব্রা খন্নগদবনি।

তরুকশুবদা, লাইসেন্স পায়রিবশিংদা ফত্তবা পোৎলমশিং লংথোক্লবা বিনশিং পীগদবনি অমদি অরোইবদা, এ এম সীনা শাশিংগী ক্বালিটি সর্টিফাইদ তৌনবা ভেটরিনরি দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংদগী মতেং লৌগদবনি হায়রি।

বেঞ্চ অদুনা মখা তানা অগরটলা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন অমদি হেল্ঠ ওফিসলশিংদা য়াথং পীরদুনা লৈরিবা হোস্পিটালশিং অমদি নর্সিং হোমশিংদা চৎতুনা হোস্পিটালদগী পুথোরক্লিবা ফত্ত-হাওদিশিং মতৌ করম্না মাঙহল্লি য়েংশিনগদবনি হায়রি।


শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বা **ৱাইখোম অঙৌসানা সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ২৫/০২/২০২২ ইং, ফাইরেনগী ২৪নি পানবা ইরাই নুমিত্তা গুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্য অনুপ্রভু দাশ নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০২/০৩/২০২২ ইং, ফাইরেনগী ৩০নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১০/০৩/২০২২ ইং, লমতাগী ৮নি পানবা শগোলশেল নুমিত্তা শর্দ্ধা দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা ঙমজবা বস্ত খরদং শ্রীহরিনাম সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা শ্রীশ্রী গৌরচন্দ্রা মহাপ্রভুগী অগ্রাদা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবণ তৌবিরনবা পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চরি। পাউচেগী থোঙদা নিমন্ত্রণ কচ্চবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

থৌরম পরেং ঃ-
অয়ুক পুং ৮:০০ ভেট কৎপা
অয়ূক পুং ১১:০০ থৌরম লোইবা

বিনিতগন ঃ-
ৱাইখোম শামা দেবী (মমা)
ৱাইখোম ওংবী কুঞ্জেশ্বোরী দেবী (সহধর্ম্মীনি)

১। লাইতোঞ্জম ওংবী বিনা দেবী (মচন)
২। অঙোম ওংবী বিমোলা দেবী (মচন)
৩। সগোলসেম ওংবী রোমা দেবী (মচন)
৪। থোকচোম ওংবী বিজেন্তি দেবী (মচন)
১। ৱাইখোম লসতর সিংহ (মচানুপা)
২। ৱাইখোম অকাশ সিংহ (মচানুপা)
৩। ৱাইখোম অশিকান্তা সিংহ (মচানুপা)

খাবম লমখাই।

HL-P/1827/1 # 9863069405 / 6909875713



M/S.S.R.S. BRICK FIELD

Near Khongjom Bazar, Langathel
Regd. No. 282/FACT/BRICK
GSTIN No. 14DZJPS8585M1ZA

| Class | Rate (Rs) | No. of Bricks | Transt. Charge | Labour Charge | Total Amt |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st | 14.60 | 1500 | 2000 | 700 | 24600 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 32500 |
| 2nd | 14.20 | 1500 | 2000 | 700 | 24000 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 31700 |
| 1st Rej. | 13.50 | 1500 | 2000 | 700 | 22950 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 30300 |
| 2nd Rej. | 12.50 | 1500 | 2000 | 700 | 21450 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 28300 |
| 1st Petty | 12.50 | 1500 | 2000 | 700 | 21450 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 28300 |
| 2nd Petty | 11.50 | 1500 | 2000 | 700 | 19950 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 26300 |
| 3rd | 8 | 1500 | 2000 | 700 | 14700 |
| | | 2000 | 2500 | 800 | 19300 |

Contact :- # 9856945460
# 9863067774

HL-B/7456/5/2-6/3


## CROSSWORD-3460



**ACROSS**

1 Presume (anag.) (7)
5 Convenient (5)
8 Jewelled headdress (5)
9 Apparition (7)
10 Rodent kept as a pet (7)
11 Duke's domain (5)
12 Goal (6)
14 Sagacity (6)
18 Transfer (5)
20 Wishy-washy (7)
22 Supplement to a will (7)
23 Burdens (5)
24 Drab (5)
25 Put on show (7)

**DOWN**

1 Louis Armstrong nickname (7)
2 Sacred song (5)
3 Stretchy (7)
4 Sell abroad (6)
5 Hidden stock (5)
6 Observed (7)
7 Scrumptious (5)
13 Species of crow (7)
15 Offensive remarks (7)
16 Decency (7)
17 Slain (6)
18 Cut into cubes (5)
19 Fortunate (5)
21 Precious stone (5)

**Solution 3459**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | C | C | E | S | S | | U | N | F | A | I | R |
| D | | U | | C | | | | I | | G | | E |
| V | E | R | S | E | | C | Y | C | L | I | S | T |
| I | | T | | N | | O | | K | | N | | I |
| S | P | A | R | T | A | N | | E | D | G | E | R |
| E | | I | | | | T | | L | | | | E |
| | | L | A | M | B | R | U | S | C | O | | |
| A | | | | O | | A | | | | S | | N |
| D | E | A | T | H | | L | E | G | A | T | E | E |
| A | | L | | I | | T | | A | | R | | P |
| G | R | O | U | C | H | O | | F | A | I | T | H |
| I | | N | | A | | | | F | | C | | E |
| O | C | E | A | N | S | | H | E | E | H | A | W |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3859**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 7 | 4 | | | | 5 | 6 | |
| 3 | | 6 | 7 | | | | | 2 |
| 8 | | | | 4 | | | | |
| | 5 | | | 7 | | 8 | | |
| | | | | | | | | |
| 1 | 4 | | | 5 | 6 | 7 | | |
| | | | | | | | | 4 |
| | | | | | | | 2 | |
| 5 | 8 | | 2 | 1 | | | | |

**Solution-3858**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 5 | 4 | 7 | 8 | 1 | 3 | 6 | 9 |
| 6 | 3 | 9 | 5 | 4 | 2 | 1 | 8 | 7 |
| 7 | 8 | 1 | 3 | 6 | 9 | 2 | 4 | 5 |
| 3 | 6 | 7 | 4 | 2 | 8 | 9 | 5 | 1 |
| 1 | 4 | 5 | 9 | 3 | 7 | 8 | 2 | 6 |
| 9 | 2 | 8 | 6 | 1 | 5 | 7 | 3 | 4 |
| 5 | 1 | 2 | 8 | 7 | 4 | 6 | 9 | 3 |
| 4 | 7 | 6 | 2 | 9 | 3 | 5 | 1 | 8 |
| 8 | 9 | 3 | 1 | 5 | 6 | 4 | 7 | 2 |

HL-P/1789/28/3-29/4

## EMPLOYMENT NEWS

### SIKKIM PUBLIC SERVICE COMMISSION INVITES APPLICATION FOR PHOTOGRAPHER RECRUITMENT 2022

Photographer
Job Location:
Below Police Headquarters
Old West Point School Complex, Gangtok, 737101 East Sikkim
Last Date: 10 March 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Posts
Job Role Photographer
Education Requirement Diploma,M.A,PG Diploma
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Gangtok
Age Limit Should have attained the age of 18 years, but should not have exceeded 40 years as on 31/12/2021, in terms of Notification No: M()/ (55)/ GEN/DOP/Pt.IlI dated: 03/07/2019.
Experience 2 - 6 years
Salary Not Disclosed
Posted on 28 Jan, 2022
Last Date To Apply 10 Mar, 2022
Educational Qualification: Diploma, M.A, PG Diploma
Applications are invited from eligible local candidates for filling up 01 (one) post of Photographer on the temporary-regular basis in Level-11 of the Pay Matrix under the Information and Public Relations Department, Government of Sikkim, through Direct Recruitment. All applications are to be made online at the Commission's website www.spscskm.gov.in
1. Post Name: Photographer
2. No. of Post: 01
3. However, during the period of Probation/Apprenticeship/Training, pay shall be governed by Notification No. 489/GEN/DOP dated: 31.10.2011.
4. Minimum Educational Qualification: 03 (three) year Diploma in Photography / Cinematography / Photography and Cinematography from an institution recognised by the All India Council of Technical Education (AICTE) OR 03 (three) year Degree in Photography / Cinematography / Photography and Cinematography from a University recognized by the University Grants Commission (UGC) OR
a. Graduate in any discipline from a recognized University:
(i) With a minimum 02 (two) year Post Graduate Degree in Photography / Cinematography / Photography and Cinematography OR
(ii) With a minimum 02 (two) year Post Graduate Diploma in Photography / Cinematography / Photography and Cinematography from an institution/university recognized by the AICTE / UGC.
5. Other Qualifications: Diploma/ Certificate in Computer Applications from a reputed institute. Should have experience of at least 02 (two) years in a reputed Studio or Institute. Must be able to read, write and speak in one of the State languages viz. Nepali, Bhutia, Lepcha or Limboo. | Must be conversant with local customs and traditions of Sikkim.
Pay Scale:
INR
Not Disclosed
Age Limit: Should have attained the age of 18 years, but should not have exceeded 40 years as on 31/12/2021, in terms of Notification No: M()/ (55)/ GEN/DOP/Pt.IlI dated: 03/07/2019.
Selection Procedure
1. Short listed candidates are required to submit attested Photocopies of all relevant documents on the dates specified by the Commission.
2. Those candidates who aualifv in the written examination will be called for the scrutiny of documents.
How to Apply:
1. Date on which Rejection List would be uploaded: 10/03/2022
2. Candidate should go through the advertisement and read the instructions provided on the website carefully before applying online. Applications received through any other mode shall not be accepted and shall be summarily rejected.
3. The candidates are advised to apply online from our website http://spscskm.gov.in/ on or before the stipulated date and time. Application submitted thereafter will not be accepted and SPSC shall not be responsible for the same.
4. Rejection list of candidates who do not qualify for the post as per the advertised criteria will be uploaded in the SPSC website on the stipulated date and if any of the rejected candidates have reservations on the rejection of the application, they should submit their grievances along with justification to the office of the Controller, SPSC within the stipulated period
5. e-Admit Cards can be downloaded and printed by the eligible candidates after a Notice for the same shall be published by the Commission in the official website of the Commission.
6. Candidates are directed to bring a Photo Identity proof like (Aadhaar Card, Voters Card, Driving License) along with valid e-Admit cards in the examination centre for proof of identity.
7. The Commission shall entertain application on review or RTI/ Correspondence only after the entire process of recruitment is complete. Any further instructions/Corrigendum/Addendum shall be uploaded only on Sikkim Public Service Commission website.
8. Admission to all the stages of examination for which candidates are admitted by the Commission viz. Written Examination shall be purely provisional and subject to satisfying the prescribed eligibility conditions. If, on verification at any stage of the examination process, it is found that candidates do not fulfil any of the eligibility conditions, their candidature for the post shall be cancelled by the Commission without notice.
9. The Commission shall entertain application on review or RTI/ Correspondence only after the entire process of recruitment is complete.
Advertisement No.: 1/SPSC/EXAM/2022
Important Dates:
Published on: 28 January 2022
Last date for application is: 10 March 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification










